**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21.05.2024)**

**এফআইআর (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী করিগুম্বা মফম অমা লন্নাই মীওই নৎত্রগা কাংবু অমনা মমিং ওন্থোকবা হোৎনরবদি রাজ্য সরকারনা খুদক্তা মখোয়গী মথক্তা থবক লৌখৎকনি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা চেরোল অমদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়-থাংজিং চিংগী শরুক খরা থাংতিং হায়না নৌনা মমিং ওন্থোরকপগী মতাংদা মনিপুর নেমস ওফ প্লেসেস এক্ট ২০২৪ গী মখাদা কেস অমা রেজিস্তার তৌরে।

অমরোমদা, থাংজিং চীংদা কুকি নেসনেল ফ্রন্ট মিলিটরি কাউন্সিল হায়না থাবা গেট অমা শাজিল্লকপগী মতাংদা এফ.আই.আর অমা রেজিষ্টর অমা রেজিস্তর তৌখ্রে।

রাজ্যগী সেক্রেটরিয়েট লেন্দ রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টনা জিরো এফ.আই.আর. রেজিস্তার তৌবীনবা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার ইন-চার্জদা হায়রকপদগী এফ.আই.আর. অদু রেজিস্তার তৌখিবনি। সেক্রেটরিয়েট লেন্দ রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টনা এফ.আই.আর লৌখৎপীনবা হায়জরকপা চেরোল অদুদা হায়-হৌজিক লৈরিবা থাংজিং চীং রেঞ্জ অসি চুরাচান্দপুর-খৌপুম প্রোটেক্তেদ ফোরেষ্টকী মনুং চল্লি। থাংজিং চীং অসি ইতিহাসকী ওইনা মরুওইবা মফম অমনি অমসুং মণিপুর সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা মণিপুর এনসিয়েন্ট এন্দ হিষ্টোরিকেল মোনুমেন্টস এন্দ আর্কিওলোজিকেল সাইটস এন্দ রিমেন্দস এক্ট ১৯৭৬ কী মখাদা প্রোতেক্তেদ সাইটনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-থাংজিং চীংবু থাংতিং হায়না মমিং ওন্থোক্তুনা মফমদুদা কুকি নেসনেল ফ্রন্ট মিলিটরি কাউন্সিল হায়না থাদুনা গেট

শাজিল্লকপা অসি আইন্না য়াদবা মওংদা হান্না লৈজরম্বা অশেংবা মমিং অদু ওন্থোকপনি অমসুং মসি মণিপুর নেমস ওফ প্লেসেস এক্ট ২০২৪ অমসুং মণিপুর এনসিয়েন্ট এন্দ হিষ্টোরিকেল মোনুমেন্টস এন্দ আর্কিওলোজিকেল সাইটস এন্দ রিমেন্দস এক্ট ১৯৭৬ কী সেক্সন ফোর থুগাইবনি।

**ডে (এল):** লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি টেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ অসি প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা রাজিব গান্ধি লৈখিদবা নুমিৎসুনি। মহাক চেন্নাই মনাক্কী খুল অমদা এল.টি.টি.ইগী সুইসাইদ বোম্বর অমনা ১৯৯১ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা হাৎখিবনি।

টেরোরিজম অমসুং হিংশানা খুন্নাই অমদি লৈবাক অসিদা শোকহনবশিং অদুগী মতাংদা মীয়ামবু নীংথিনা ভাব তাহন্নবগীদমক পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

মনিপুরদসু ঙসি টেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোকখি। ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা দলগী লুচিংবা কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা টেরোরিজম অমসুং হিংশাগী মায়োক্তা লেপবা দল অসিগী ৱার্করশিংগা লোয়ননা ৱাশক লৌমীন্নখি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনসু ঙসি লৈখিদ্রবা হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-রাজিব গান্ধিগী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎখি। ন্যু দিল্লিদা লৈবা মহাক্কী সমাধি বির ভুমিদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট-মালিক অরজ়ন খর্গে, কংগ্রেস পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী লুচিংবী-সোনিয়া গান্ধি অমসুং হান্নগী কংগ্রেস প্রসিদেন্ট-রাহুল গান্ধিনা লৈ-শু কৎখি।

**ডে (এল):** মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মনিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড কলচর

ডেগী পালন থৌরম পাঙথোকখি। লময়ানবা ইরাবত ত্রষ্টনা শিনদুনা লাংজিংদা লৈবা ইরাবত পাব্লিক স্কুলদা পাঙথোকখিবা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরমদা হান্নগী হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মেম্বর-এন.জি. নোংয়াইসু শরুক য়াখি।

**লুট (এল)ঃ** ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস.বি.আই) জিরিবাম ব্রান্সতগী ঙরাং নুমিদাং মশক খঙদবশিংনা লুপা লিশিং ৩০,৫০০ লুট তৌখ্রে। বেঙ্ক অদুগী স্তাফনা ঙসি অয়ুক কারকপদা লুট তৌখ্রে হায়বদু খঙনরকপনি।

বেঙ্ক অদুগী সি.সি.টি.ভি. ফুটেজ য়েংবদা থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ মখায় অদুৱাইদা মশক খঙদবা মীওইশিং অদু বেঙ্ক অদুগী থোংনাউদগী চংল্লকপা উখি হায়রি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালনা লেপ্পুনা শন্দোক্লিবা থৌরম-মীকপ থোক্লসিগী ১৮ শুবা তাঙ্কক্তা লাইচুরবশিংগী লায়েং মখলশিং অমসুং ফগৎলকপা হায়বা থৌরম অমা হয়েং অয়ুক পুং ৭ তা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি য়ু ট্যুব চেন্নেল অকাশবানি ইম্ফালদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

**শগোল(এল)ঃ** মশিং হন্থরক্লিবা মনিপুরগী শগোল (পোনি) কনবদা সরকার খক্তা নত্তনা মীয়ামগী অচৌবা থৌদাং লৈহায়না মনিপুর পোনি সোসাইতিগী প্রসিদেন্ট-সি.ঐচ. প্রিয়োরঞ্জননা হায়রি।

রাজ্যগী ভেটিরিনারি অমসুং এনিয়মেল হসবেন্দরি দাইরেক্তোরেটনা মনিপুরি পোনি সোসাইতিগা পুন্না শিনদুনা ইম্ফালগী শঞ্জেনথোংদা লৈবা ফামরস ত্রেন্নিং হোলদা ঙসি মনিপুরগী পোনি কন্নবা অমসুং য়োকখৎনবগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা শ্রী প্রিয়োরঞ্জননা হায়-মনিপুরদা হৌজিক মহৌশাদগী লমদমসিদা লৈরক্লবা মখলগী শগোল পোনি লিশিং অমরোমতা ঙায়রক্লে। চহি খুদিংগী ওইনসু মশিং অসি লেপ্পুনা হন্থরক্লি। অসিগুম্বা কিনিংঙাই ওইরবা ফিভম

অসি কন্নবগীদমক সরকার খক নত্তনা মীয়ামনা অতাংবা মখলগী শগোল অসিবু কন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌফম থোকই।

থৌরমদুদা ভেটিরিনারি অমসুং এনিমেল হসবেন্দরি সাভির্সেস মনিপুরগী দাইরেক্তর-আর.কে. খোগেন্দ্রজিৎ অমসুং মনিপুর এক্যুসতিয়ান এসোসিয়েসনগী চেয়ারমেন-এন.বেদজিৎসু শরুক য়াখি।

**রিমস (এল)ঃ** রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী ইগজকিটিব কাউন্সিলগী ৫১ শুবা মীফমনা ইন্সটিট্যুট অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস মেদিসিনবু কেন্দ্রগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ার মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা মপুং ফাবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইনা শকখঙলে।

কেন্দগ্রী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রালয়গী মখাদা ২০২০ দা হৌদোকখিবা দিপার্টমেন্ট অসি লৈবাক অসিগী ওইনা শুপগী ৮ খক্তং লৈবা স্পোর্টস মেদিসিন দিপার্টমেন্টশিংগী মনুংদা অমনি।

**উখ্রুল(এল)ঃ** হন্দক ফল লাউথোকখিবা কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন-মনিপুরনা লৌবা হয়ার সেকেন্দরি ইগজামিনেসনদা উখ্রুল জিলাগী ওইনা সরকারগী স্কুলশিংনা প্রাইবেট স্কুলশিংদগী মহৈরোই পাস তৌবগী চাং হেনখি।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী-সোথিং সিমরেনা হায়-জিলা অদুদা সরকারগী অমদি লন্নাই হয়ার সেকেন্দরি স্কুল পুন্না ১০ লৈ। মদুগী মনুংদা উখ্রুল হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোইশিংনা চাদা ১০০ পাস তৌখি। স্কুল অদুগী মহৈরোই মঙা স্তার মার্ক য়ৌদুনা জিলা অদুদা লৈবা স্কুলশিংগী মনুংদা পার্সেন্টেজ খ্বাইদগী ৱাংবা স্কুল ওইখি।

**কাউন্সিল (এল)ঃ** হয়ার সেকেন্দরি ইগজামিনেসন ২০২৪ গী মার্ক সিট অমদি

হয়ার সেকেন্দরি ইম্প্রুবমেন্ট ইগজামিনেসন-২০২৪ থাগদবা কেন্দিদেটশিংগী এপ্লিকেসন ফোর্ম মরি লৈনবা ইন্সটিট্যুসনশিংদা হয়েংদগী পীবা হৌরগনি।

ইন্সটিট্যুসনশিংগী মকোকশিংনা মসি লৌরনবা অদুগা প্রাইবেট কেন্দিদেটশিংগী ওইনা মশা লাক্তুনা লৌরনবা কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরগী চেরোল অমনা হায়রি।

**ডে (এল)ঃ** মণিপুর সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা শিন্দুনা হয়েং ইম্ফাল ৱেষ্টকী খোংহামপাৎ লাইকোলদা লৈবা ষ্টেট বোতানিকেল গার্দেনদা ইন্তরনেসনেল ডে ফোর বাইওলোজিকেল দাইভর্সিতি পাঙথোক্কদৌরি।

নুমিৎ পালন অসিগী থিমদি-বি পার্ট ওফ দা প্লান হায়বসিনি। থৌরম অদুদা ক্লাইমেত চেঞ্জ রিপোর্তিং ২০২৪-২৫ গী মিদিয়া ফেলোশিং ওক্কনি।

**অম্বা (এল)ঃ** মনিপুরদসু ঙরাং ওল মনিপুর বি কিপ্পরস এসোসিয়েসন (অম্বা) না শিনদুনা মালেমগী হয়িং খোই নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুন্দ্রাকপম অৱাং লৈকাইদা পাঙথোকখিবা পালন থৌরম অদুগী থিমদি-নহাশিংদা হয়িং খোইবু য়োকহনবা হায়বসিনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা হয়িং খোই লোইবগী মরুওইবা অমদি কান্নবা কয়াগী মতাংদা পনখি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** নেসনেল লাইফষ্টোক মীসনগী মখাদা পোলটরি মেনেজমেন্ট**,** সাইন্টিফিক রিয়ারিং ওফ পিক এন্দ লাইফষ্টোক ইন্সুরেন্স হায়বসিদা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা লৌমীশিংগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি লাঙথেল কৈথেল মচাদা হৌদোকখ্রে।

জোইন্ট দাইরেক্তর দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি ওফিস-থৌবাল-ককচিংনা শিনদুনা

পাঙথোকখিবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা পুন্না মীওই ৮৫ রোমনা শরুক য়ারি।

**ভোট ঃ** লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্ককশিং-তরুকশুবা অমদি তরেৎশুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমদি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা কংগ্রেস অসিবু শাগৈগী ওইবা দলনি অমসুং মসিনা ইমুং অমখক্তংগী স্বার্থদা থবক তৌরি হায়না মরাল শিরি।

বিহারগী মোতিহরিগী গান্ধি মৈদানদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা কংগ্রেসনা লুচিংবা আই.এন.দি.আই. এল্লাইয়েন্সনা লোক সভা মীখলদা মায়থিবা ফংগনি হায়না ফোংদোকখি। মহাকা হায়-মীয়ামনা শেঞ্জা থুমজাগী কেসশিং অমদি লৈবাক অসিগী মায়োক্তা থবক তৌবশিংগী মথক্তা চপ চাবা পাউখুম পীগনি।

শ্রী মোদিনা হায়-সৈত্যগৃহ অমসুং স্বাচগৃহগী মতাংদা মহাত্মা গান্ধিনা তন্বীরম্বশিং অদুনা মহাকপু তশেংনা পুকিং থৌগৎলি। অদুবু, কংগ্রেসনদি বাপুজিগী মংলান কয়া অদুবু মংফাওনহনবা ঙমদ্রে। মহাকা হায়-য়ুমথোং খুদিংদা অমাংশঙ লৈহনবা হায়বা ৱাখল্লোন অসি স্বাচগৃহনা পীবনি। লাইরবা মীয়ামদা মৈ অমদি গ্যাস পীনবা মহাক্কী সরকারনা পায়খৎলিবা থবকশিং অদুবুসু মহাকা শিংথাখি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-আই.এন.দি.আই. এল্লাইয়েন্সনা ২১ শুবা চহিচাগী আশাগা লোয়ননা চৎমীন্নবা ঙমলোই অমসং অসিগুম্বা মংলান অসিবু এন.দি.এ. খক্তনা মংফাওনহনবা ঙমগনি। কেন্দ্রদা চপ চাবা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা সরকার অমা লাকপগা লোয়ননা লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং হেন্না খোংজেল য়াংশিলহনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবসু শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি।

মহারাজগঞ্জ লোক সভা কেন্দ্রগী গোরেয়াকোথিদা পাঙথোকখিবা অতোপ্পা মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা আই.এন.দি.আই. এল্লাইয়েন্স অসি জাৎ-

কাংলুপ নাইবা অমসুং শাগৈগী ওইবা চুংশিন্নবা কাংবুনি হায়না মরাল শিখি। মহাকা হায়-অসিগুম্বা চুংশিন্নবা কাংবু অসিগী পান্দমদি, মখোয়গী ইমুং মনুংশিং চাউখৎহনবনি, মীয়ামগী য়াইফনবা থবক পায়খৎপা ঙমলোই।

শ্রী মোদিনা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা প্রয়াগরাজতা পাঙথোকপা রাজনিতিগী রেল্লি অমদসু ৱা ঙাংখি। মদুগী তুংদা, মহাক্কী লোক সভা কেন্দ্র বরানাসিদা নুপী লিশিং ২৫ হেনবনা ৱারী শান্নখি। মহাকা শমকুলনানন্দ সংস্কৃট য়ুনিভরসিতিদা পাঙথোকপা মাত্রি শক্তি সমেলন অমদসু শরুক য়াখি। থৌরমদুদা মহাকা ইমুং পুবা নুপী, ডাক্তর, ওজা, লল্লোন ইতিক তৌবী, উকিল অমদি শান্নরোইনচিংবা তোঙান তোঙানবা শিনফমগী নুপীশিংগা ৱারী শান্নখি।

প্রধান মন্ত্রি ঙসি নুমিদাং বরানাসিদা লেক্লগা হয়েং উত্তর প্রদেসকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা রেল্লি অনিদা ৱা ঙাংগনি।

**সিসোদিয়া ঃ** এক্সাইজ পোলিসি ৱাথোক্কা মরী লৈনবা মণি লোন্দরি কেসকা মরী লৈননা দিল্লিগী হান্নগী উপ মুখ্য মন্ত্রি অমসুং আম আদমিগী লুচিংবা-মনিস সিসোদিয়াবু দিল্লিগী কোর্ট অমনা ঙসি থা অসিগী ৩১ ফাওবা জ্‌দিসিএল কষ্টদিদা থমবা হুকুম তৌখ্রে।

কেস অদু মখা তানা থা অসিগী ৩১ দা বিচার চংথরগনি। সিসোদিয়া অসি সি.বি.আইনা ফারবা মতুংদা মমাং চহিগী ফেব্রুৱারী ২৬ তগী জ্‌দিসিএল কষ্টদিদা থল্লকপনি। তুংদা, মহাক ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনসু ফাখিবনি। ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেট অমসুং সি.বি.আই. অনিমকা কেস অদুগা মরী লৈননা চার্জসিট থাংগৎপদা থিন্থবীনবা সিসোদিয়ানা হায়জরকপা অদু লৌখিদ্রে।

**ইরানঃ** ইরানগী রাষ্ট্রপতি ইব্রাহিম রাইসি, মপান থৌরম মন্ত্রি হোসেন অমির অব্দুলাহিয়ান অমসুং ওফিসিয়েল খরা লৈবাক অদুগী অৱাংনোংচুপ থংবা শরুক্তা হেল্লিকোপ্তর কায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদবদা ঙসি লৈবাক অসিনা জাতিগী মচু

অহুমগী ফিরাল তঙ্খায় চিংথদুনা অৱাবা ফোংদোক্লি।

ঙসি অসি সরকারগী ওফিসশিংদা অতোপ্পা থবক থৌরম অমত্তা পাঙথোকখিদে। ইরানগী লুচিংবা অনিনা লৈখিদবদা রাজ্য অসিদসু ঙসি নোংমা অৱাবা ফোংদোকখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** এ.আই.এফ.এফ. অন্দর সভেন্টিন য়ুথ লিগকী গ্রুপ (দি) গী মেটচ অমদা ক্লাসিক ফুটবোল একাডমী-চিংমৈরোংনা পঞ্জাব এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। পাঞ্জল অদু শান্নবা হৌবগী ৬৯ মিনিট শুবদা ব্রহ্মাচারিময়ুম সুমিত শর্ম্মনা চনখিবনি। মসিগা লোয়ননা একাডমী অসিনা ফাইনেল রাউন্দগী মেটচ মরি শান্নবদা মরিমক থোইদুনা পোইন্ট ১২ লৌবা ঙমদুনা মাংজিল থারি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা লমলোং থোংখোং আর্টিফিসিএল তর্ফ গ্রাউন্দদা চথরকপা ১৬ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী ফাইনেল হয়েং নুংথিল পুং অনি তাবা মতমদা নিশা-থাংমৈবন্দগা লিৱা চংনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লব (এল.ৱাই.সি.সি) গা থেংনরগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১৬ শুবা ৱাই.সি.বি. অন্দর থারটিন বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সঙাই এফ.সিনা বসসপতি এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা, জোবিয়েল বেলোনা এফ.সিনা রিয়েল ফুটবোলবু পেনালি সুট আউটতা পাঞ্জল ২-১ অমসুং বি.এফ.সি-কোংবনা ই.এস.য়ু (বি) বু পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।